# এন দি পি এস কোর্টতগী নম্ফুদা চার্জশীট লৌথোক্লবা হোৎনরম্বগী থৌদোক সী বি আই নৎত্রগা এন আই এদা থিজিনহনবীয়ু হায়দুনা পি আই এল ফাইল তৌরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী কেস এফ আই আর নম্বর - ৪৩ (৬) ২০১৮গা মরী লৈনবা স্পেসল কোট (এন দি এন্দ পি এস) কী স্পেসল ত্রাইয়েল কেস নম্বর ১০০ ওফ ২০১৮গী চার্জশীট নম্ফুদা কোর্ট অসিদগী লৌথোক্লবা হোৎনরম্বগী থৌদোকপু সী বি আই নৎত্রগা এন আই এগুম্বা সেন্ত্রেল ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সি অমদা থিজিন্নবা শিন্নহনবিয়ু হায়বা য়াওনা প্রেয়র কয়া তৌবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরক্লে।

পি আই এল অসিগী পিটিস্নরশিংনা য়ুজরস সোসাইটি ফোর ইফেক্টিভ রেসপোন্স (য়ুজর), রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৩০২/এম/এস আর/২০০৭কী প্রসিদেন্ট মাইবম মেগেশ, অরিবম ধনঞ্জয় (পাউজেল চাউবা), অপোকপা এ প্রিয়োগোপাল, থাংমৈবন্দ লৌরুং পুরেল লৈকায়, হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ), রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৭৪৮ ওফ ২০০২গী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনি। অদুগা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি/স্পেসল সেক্রেটরি (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর অমসুং এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী এস পিনি।

পি আই এল অসি হায়কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা লৌশিনখিবগা লোয়ননা হৌনবী মতুংইন্না চীফ জষ্টিসকী পর্মিসন লৌরগা পি আই এল নম্বর ৩৪ ওফ ২০২০ ওইনা ঙসি রেজিষ্ট্রেসন তৌখ্রে। মথংগী চয়োলগী কোর্টকী ৱার্কিং দে অমগী এপ্রোপ্রিএট দিভিজন বেঞ্চ অমদা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌরক্লবা য়াই হায়রি।

পিটিস্নর রেজিষ্টর বোদি অনী অমসুং লন্নাই মীওই অমনা মখোয়গী পিটিসন অসিদা তৌরক্লিবা প্রেয়রশিংগী মনুংদা লুপা ক্রোর ১০ হেনবগী দ্রগশিং ফাগৎখিবগা মরী লৈনবা কেসশিং সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) নৎত্রগা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) দা থিজিন্নবা শিন্নবিয়ু অমসুং নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী মখাদা চথুরিবা ত্রাইয়েলশিং হায়কোর্টনা মোনিটর তৌহনবীয়ু। এন দি এন্দ পি এস কোর্ট, মণিপুরগী স্পেসল ত্রাইয়েল কেস নম্বর ১০০ ওফ ২০১৮গী চার্জশীট কোর্টতগী লৌথোক্লবা হোৎনরম্বা, কেস অসিগী এক্যুইজবু আর্মদ মিলিটেন্টশিংনা ইম্ফালদগী ফারগা ম্যান্মারদা পুরুবা অমসুং এক্যুইজ অসি কোর্টসিদা সরেন্দর তৌরকপা অমদি কেস অসিগী ফাগৎখিবা দ্রগশিংগী রেমনান্টশিং মাঙখিবগী থৌদোকশিং অসি সী বি আই নৎত্রগা এন আই এদা ইনভেষ্টিগেট তৌনবা শিন্নবীয়ু হায়বসিনি।

মসিগী মথক্তা স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (স্পেসল পি পি), এন এ বি পি এসকী ও সী অমসুং এদিসনল এস পিবু ট্রান্সফর তৌবগী থৌওং অসিসু রুল ওফ লো চৎনহল্লিবা সিষ্টম অসিগী সিন্সরিটিগী মতাংদা মীয়ামদা চমন্ন হল্লে হায়বা ৱাফমসু ফোংদোক্লি। মরমশিং অসিনা পাক শন্না খন্নরবা মতুংদা ষ্টেট দ্রগ পোলিসি অমা শেমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবিয়ু। মসিনা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা দ্রগকী চৈথেং অমসুং দ্রগশিং পুশিল্লকপগী থবকশিং লাকশিনবা ঙমগনি হায়রি।

# মীফম পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯ রেপিদ ফোর্স কৌবা লূপ অমা শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): খুরাই জেনিএল ক্লবকী শঙলেন্দা ৱাঙ্খৈ এ সীগী খুরাই মনুংদা লৈবা ক্লব ৮গী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না খুরাই জেনিএল ক্লবকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নাতুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, খুরাই জেনিএল ক্লবকী শঙলেন্দা হৌখিবা ওগষ্ট ১২গী নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা খোমদ্রাম ব্রোজেন্দ্রোনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ৱাঙ্খৈ এ সীগী মনুংদা লৈবা খুরাই থৌদাম লৈকাই, খুরাই থাংজম লৈকাই, খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকাই অসিগী মনুংদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং খুরাই জেনিএল ক্লব, খুরাই থাংজম লৈকাই, য়ু পি সী/ৱাই এস এস খুরাই থৌদাম লৈকাই, ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনেল ক্লব খুরাই অহোঙ্গৈ, নেসু, কে এ এফ সী, এ এন এ, টি এল এ ৱাই, এম এম এল দি সী অসিগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা মীফম অসিনা য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা হৌজিক মালেমদা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিবু থেংনবগীদমক কোভিদ-১৯ রেপিদ ফোর্স কৌবা লূপ অমা শেম্লে। হায়রিবা লূপ অসিগী চ্যেরমেন ওইনা খোমদ্রাম ব্রোজেন্দ্রো, ভাইস চ্যেরমেন ওইনা নিংঙোম্বম অরুনকুমার অমসুং লৌরেম্বম শ্যাম, কনভিনরদা নাওরোইবম মেঘচন্দ্র, এসিষ্টেন্ট কনভিনরদা টি ঐচ শশিকান্তা অমসুং জগৎচন্দ্র, কেশিয়রদা টি ইবোপিশক লোয়ননা মোইরাংথেম লোয়ালাকপানা স্পোক্সপর্সন ওইনা খনখ্রে।

হায়রিবা লূপ অসিনা লমদম অসিদা এস ও পি ঙাক্লা চৎহন্নবা হোৎনবা, দুকানশিং মতম চানা হাংহনবা অমসুং লোলহনবা, কোভিদকা মরী লৈনবা রিলিফশিং মীয়ামদা ফংহনবা, সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা মীয়ামগা এৱ্যেরনেস অসিগী ৱাংমদগী মীওইশিং ওর্গনাইজেসনশিংনা কোভিদকী মতাংদা থবক-থৌরমশিং তৌনিংবা লৈরগসু হায়রিবা লূপ অসিদা মাংজৌননা খঙহনবীরক্লবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরনা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্তগী নিংখা তমখিবা নুমীৎ ওগষ্ট ১৪গী থৌরম সিটিজেন্স ক্লব সোইবম লৈকায় ৱাঙ্খৈ খুনৌগী ব্যুল্ডিংদা কো-ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগা খুশম্ন দুনা মণিপুরগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী কোওর্দিনেটর এস রোসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈবা খুঙ্গং লাইকোৎ ফাইজোল ভিলেজ, লাইকোৎ কোম ভিলেজ অমদি লাইকোৎ খরাম ভিলেজগী ভলন্টিয়রশিংনা খুলদা চঙলকপা অমদি খুলদগী থোকখিবশিংদা কোভিদ-১৯ থেংননবা থম্লিবা এস ও পি ঙাক্লা শেন্নরিববু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা ভলন্টিয়রশিং অদুদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কেঐচ ইবোমচানা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি শেলগী মতেং পাংখ্রে। লোয়ননা শবুংখোকতগী অতোপ্পা লমদা চৎলুবগী অমদি য়ূমদা অতোপ্পা মী লাক্লম্বদগী হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওই অনীদসু চেং অমদি শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

# লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং হন্দোকপীয়ু : উপব্রো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): বারুনি চীংখোঙদা লৈবা , ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ সব-দিভিজনন্না কোনবা অৱা চীংগী অৱাং থংবদা লৈবা মফম অমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী পোৎলোইফম (মাস গ্রেভ) অমা শেমগনি হায়না লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি হন্দোকপীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পোরোম্পাৎ বারুনি রোদ ওর্গনাইজেসন (উপব্রো)গী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুরচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, চীংলোন মাপলনা কোয়শিনবা মণিপুরনি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা চীং য়াম্না লৈ অদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী বারুনি চীংখোঙদা লৈবা চীং মচা অসি পোৎলোইফম ওইগনি হায়না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি করিগীনো হায়বা হংনিংঙাই ওইরক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট খক্তনি চীং য়াম্না লৈজদবা, মণিপুরগী অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগীদি চীং মরাং কায়না লৈজৈ। মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টতা পুদুনা পোৎলোইনিংদবগী মরম্না করিগীনো? অখঙ-অহৈ কাঙবুনা খন্ন-নৈনবিবদগী কোভিদ-১৯ অসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইদে হায়বসু থেংনজরে। কোভিদ-১৯ লাম্হৈংনরিবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা পি পি ঈ উপ্লিবা অসিগী মরমসি অরায়বা অমদি কিনিংঙাই ওইদবগী নত্তে, কিনিংঙাই ওইবগী খূদমনি হায়না লৌজৈ। লায়না অসিনা পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা হকচাংশিং অদুগী মনাক্তা ফাওবা নকশিনবদা খূদোংথিনিংঙাই ওইরিবনি। কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রবশিং মশা-মশাগী লৈকাইদা ফাওবা পুশিন্নিংদ্রিবসি করিগীনো, মসিগী মরম লৈফম থোকই। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা অশিবা হকচাংশিং অসি মণিপুরগী মফম অমত্তদা পুদুনা চৎপীগনু অমসুং পোরোম্পাৎ বারুনি রোদতসু পুশিনবীরক্তনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**এস রাজু, থোংজু পাট-২**

হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী ওইরিবা ফীভম অসি লোকেল ট্রান্সমিসন ওইরম্বদগী কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ফীভমদা লাক্লবরা হায়না খনজৈ। মরম অদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু পূম্নমক্কা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা ফীভম অদু য়ৌরক্লে। তানফম অসি য়ৌরক্লবা মরমনা লোকেল ভেন্দরশিং, গ্রোসরি শোপশিং অমদি অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা দুকান অমদি ভেন্দরশিংদা থবক তৌবিরিবা মীপুম খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরগা নেগেটিভ ওইরে হায়বগী সর্টিফিকেট পায়রগা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়জনিংই। পোৎচৈ লৈবিগদবা মীওইশিংনসু সোসল দিসটেন্স থম্বিবগা লোয়ননা দল্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদ লাইনশিং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। পোৎচৈ লৈবা মীশিংগীসু নেগেটিভ ওইবগী সর্টিফিকেট পায়বা মীওইশিংনা পোৎ লৈবা চৎলগদি অমুক্কা হেন্না ফবা খোঙথাং অমা ওইগনি খল্লি। মরমদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি চেকশিনবা নৎতনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতবনা অসিগুম্বা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎহন্নিংই। মদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি। লোয়ননা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংবু লায়েংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হেল্থ ৱর্করশিংবু পুক্লিং থৌগৎমিন্নসি হায়জরি।



**বুয়াময়ুম লিয়াকট, ময়াং ইম্ফাল**

হিংবদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎখ্রে। লুপা ২০ পীবা শাবুন ৩০, ৮০ পীবা থাও ১৫০, ১০ পীবা থুম পেকেট ২০দা য়োন্নরে। লৈঙাক্লা অমদি লোকেল এম এল এশিংনা চেঙ কেজি ৪/৫ য়েনবা অসিনা লোকদাউন হৌরকপদগী খাঙদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি মীয়াম খাঙবা ৱানরে। মরুওইনা নোংমগী থবক শু নোমদুনা হীংবা মেজিক থৌবা, হাজিরা শুরম্বা মীওই কয়া অমদি ঈমা কৈথেলদা এঙ্গাং-নাপী য়োনজরম্বা ইমা-ইবেল কয়া খম থেংনা ৱানরে। হৌজিক খজিক নুংঙাইনা লৈরিবা হায়ববু শেল পায়বা, লৌ ইংখোল মতিক চানা লৈবা মীওইশিং অমদি লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিং খক্তনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা লোকদাউন তৌরবসু য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদ্রবা ইমুং-মনুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়ৌহনবিয়ু। লোয়ননা পোৎচৈগী মমল হেনগৎনা য়োনবা য়ারোই হায়না লৈঙাক্লা ওর্দর কয়া থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা মপুংফানা ইনফোর্সমেন্ট ফজনা তৌবিদবনা অদুমক পোৎচৈগী মমল তাংনা য়োন্নরি। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা অমদি লৈঙাক্লা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com / hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৮।২০২০ ইং, থাংজা;
নুংথিল পুং ২.২০ ফাওবা থৱানগী ২৬ নি পাল্লি, মতুং ২৭ নি পাল্লনি।

**মেষ :** লাইবক ফগনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। মীনা উশিত্তবা, মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি হকচাং নুংঙাইতবা লৈ। অশাওবা অমদি নাপল থাদোকউ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**বৃষ :** য়েৎনবা/খৎনবা অমদি অনৌবা থৌরমদা পেন্দবা খরা লৈগনি। মীংচৎ, পোরম শিন্দোকপা অমদি থৌনা লিংজেল ফুদোক্লা পাংবা থবকশিংগীদি মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ঙাংথোকপদা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**মিথুন :** অনম তানগনু লাকচবীনবা কনা লৈরোই। নচাক নরলদা, অনৌবা থৌরম পায়খৎপদা অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবদা মায় পাক্লগদবা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা মপা চাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা

**কর্কট :** পূক্লিং ফাথনা ঈংনা লৈগদবা নুমীৎনি। মীৱা কা হেন্না থাজদ্রদি কিবা অমদি চিংনবা পোক্লিংঙাই লৈতে। নখা থাবা লোয়নবা কান্নগনি অমদি য়াকা য়েংউ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা

**সিংহ :** থাজদনা নক্লবনা তাথিবা অমদি খন্থদবনা মাংজবা লৈগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অচম্বা চাও অমদি নোল্লুক্না চৎপনা লাকচগনি। থেংনা লন ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**কন্যা :** লাইবক ফবনা অনীংবা অফবা থবক শোয়দনা পাংগনি। ঙাংবা শকপা হৈগনি অমদি অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। য়েক্লবনদি য়েংথি-কাউগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**তুলা :** মতম পুন্বদা নশা নতোমতগী ৱাখল অমদি পাঙ্গলনা থৌ হেন্না পাংগনি হায়বা ৱাখল্লোন্না চৎপা য়ারোইদবা নুমীৎনি-মী তান্নৌ। থেংলপ্পা কান্নবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** শেরান্ননা খনগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক :** মীয়াম্নদি চাল্লি অদুবু পাঙ্গল ফূদোকপদি ঙল্লোই। মতম ঙাইয়ু অমদি মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌগনু। অরাপ্পা মীনা কিহনগনি-অচুম অরান খন্থরগা থৌ পাংউ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**ধনু :** মীংচৎ ফংগনি, ইমুং-মনুং ৱাতান্নবা থোইনা কান্নগনি অমদি অরুবা থবক্কী লম্‌দা নুংঙাইবা ফংজৈ। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাই। হন্থবদি লোয়নগনু, ফিংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**মকর :** মায় পাকচবা, লাইবকসু ফবা অমদি অনৌবা অশা লাকপা নুমীৎনি। মীতোপকী ৱা লৌগনু অমদি নক্লবনা হেন্না মাঙহনবা য়াবা লৈ। থেংনা নুংঙাইবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**কুম্বা :** লৌশিং তানশিনবগী লম্‌দা কান্নবা ফংগনি, লেংদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইবসু লৈ অমদি অঙম্বনা চানবীগনি। মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাংবনা য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মিন :** মীনা চানবীরনি, মরুপ মপাংদগী নুংঙাইবা পাউ তাগনি অমদি অফবা মফম ফংবৈ নুংঙাই। মরম চাদনা ইচং থৌরদি অচানবা কায়ননি, হোয়া ফবা য়াদে।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## লৌশিং পুক্কে

# ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা বেক্টরিয়াশিং অমদি ষ্ট্রোক

ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা বেক্টরিয়া মখল খরনা ইম্যুন সিষ্টেমদা মতেং পাংশিনবদগী মীওইবদা ষ্ট্রোক তৌহন্দে হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। ষ্টদি রিপোর্ট অসিনা মরম ওইরদুনা ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা মহীকশিংগী মওং-মতৌ শেমদোক্লগা মীপুম খুদিংমক ষ্ট্রোক তৌহন্দবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

মালেমদা মী শিহনবগী মতাংদা ষ্ট্রোকনা অনীশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম ওইরিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা ৱেল কোর্নেল মেদিসিন এন্দ মেমোরিয়ল স্লেনে কেটরিং কেন্সর সেন্টরগী রিছার্চরশিংনা ঊচিদা চাংয়েং তৌবদা ইন্টেষ্টাইনগী মহীক খরনা ষ্ট্রোক তৌহন্দে হায়বা খঙলকখিবনি।



ৱেল কোর্নেল মেদিসিনগী এসোসিয়েট প্রোফেসার জোসেফ এরেদরনা হায়খি, ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা মহীক মখল খরনা ইম্যুন সেলশিংগী মপাঙ্গল হাপকৎপা মরম্না ব্রেনবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা থেংনরে। মথোং মরম খঙদনা এন্টিবাইওটিক চাবদগী ব্রেনবু ঙাকপী শেনবীগদবা মহীকশিং অদু শিখিবা থোক্লবদি তুংদা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি।

করম্বা মখলগী মহীক্লা ব্রেনবু ঙাক শেনবদা মরুওইবা থৌদাং লৈবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি। অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা মীপুক খুদিংমক ষ্ট্রোক তৌহন্দনবগী পাম্বৈ অমা পুথোকপা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে।

ৱেল কোর্নেল মেদিসিনগী কোষ্টেন্টিনো লেদেকোলানা হায়খি, ব্রেনদা কান্নবা পীরিবা মহীকশিং অদু চপ চানা মশক খঙদোক্লবা মতুংদা মীওইবগী চাকচা-য়ুথক শেমদোক্তুনা মহীকশিং অদু য়োকখৎপা তারবদি ইরায় লায়না ষ্ট্রোক তৌহন্দবা ঙমগনি। অমরোমদা, অতোপ্পা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবদগী ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা মহীক্কী মপাঙ্গল শোন্থরকপা তারবদি টাইপ টু দাইবেটিস অমসুং ওবেসিটিনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

মোলিক্যুলর মেটাবোলিজম জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, হৌখিবা চহী ৫০ গী মনুংদা লৌউ-শিংউগী মওং মতৌ হোংলকপদগী অফবা চীঞ্জাক পুথোকপা ঙম্লক্ত্রে। চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোক্লবনি হায়দুনা হার অমসুং তীলহাৎ হীদাক কা হেন্না শীজিন্নরকপদগী মচি ওইবা চীঞ্জাক পুথোকপা ঙম্লক্ত্রে। উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিং চাবা ফৈ হায়দুনসু তীলহাৎ হীদাক অমদি হার য়াওবা ঙাক্তা পুথোক্ল রক্লবনিনা চাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা পেনিংটন বাইওমেদিকেল রিছার্চ সেন্টরগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, ঙসিগী মীরোলনা টাইপ টু দাইবেটিস, ওবেসিটি অমসুং ইনফ্লেমেটরি ৱায়েল দিজিজগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবসি চাকচা-য়ুথক শোয়বদগীনি। অফবা চীঞ্জাক্লি খন্দুনা চারিবা মনা-মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈদা হার অমদি তীলহাৎ হীদাক চাং ৱাংনা য়াওই। মদুনা মরম ওইরদুনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না (লাইফষ্টাইল দিজিজ) কয়ামরুম ওইহল্লক্লি।

ঐখোয়না থোইদোক্লা খন্থরুবা তৌদ্রবসু হকচাংদা কান্নরবা বেক্টরিয়া কয়ামরুম ইন্টেষ্টাইনদা য়াওরি। হায়রিবা বেক্টরিয়াশিং অদুনা চীঞ্জাক্তগী কান্নরবা ন্যুট্রিয়ন্টশিং লৌশিনবদা চাউনা মতেং পাংলিবনি। হকচাংদা কান্নবা পীরিবা মহীকশিং অদু মশিং হন্থখিবা থোক্লবদি লায়না কয়া পোকহল্লক্লবগী মহীকশিং অদু হকচাংগী মরুওইবা এন্দোক্রাইন ওর্গানগুম্বনি।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারিবমখৈ হকচাংদা কান্নবা পীগদবা মহীক্কী মশীং হেনগৎলকই। অমরোমদা চাকচা-য়ুথক শোয়বা অমসুং পুন্সি মহিং শোয়বা তারবদি হকচাংদা কান্নবা মহীক্কী মশিং হন্থখিদুনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াই।

মোলিক্যুলর মেটাবোলিজম জর্নেলদা ফোঙলকখিবা পেনিংটন বাইওমেদিকেল রিছার্চ সেন্টরগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওইবনা পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা চাকচা-য়ুথক হোংদোক্লবা মতমদা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিং ঙাকথোকপা ঙমগনি। খ্বাইদগী মরুওইবদি ইন্টেষ্টাইনদা য়াওবা হকচাংদা কান্নবা পীগদবা মহীক্কী মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

# ফজনা উরিবা অদুবু থাগৎসিরা নৎত্রগা ফজনবা শেম্বীরক্লিবা অদুবু থাগৎসিরা?

## নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা





*ৱাংখৈময়ুম দবো, বেষ্ট মেকঅপ এৱার্দি*

'কনাগী মায়থোং অমুক হৌজিক য়েংলুগদৌরিবনো...? থাজসু য়েংলে...! মচু কয়াগী লৈশু য়েংঙে...!! শংবান্নবা নোংদোল অতিয়াদা পায়রিবা অমুবা-অঙৌবা লৈচিলসু য়েংলে, নোংজাবিসু উরে...! মচু কয়াগী কুরাক-কুফেৎ-কাফেৎ ঙাল্লিবা তনদনসু উরে...! অদুবু উদ্রি নঙগুম্না ফজবা মালেম অসিদা...।' ফজবা পোৎশক্তা পুক্লিং হুদবা কনা লৈগনি। ফজবা পোৎশক কয়া অদুবু শেম্বিরক্লিবা মহাক অদুদি কয়াগী মতিক ফজরমগনি! অদুবু তাইবঙপানবগী চৎনবী হায়গদ্রা নৎত্রগা খঙনা-খঙনা খঙজিন্নদ্রিবা হায়গদৌরিবরা শেম্বিরকপা মহাক অদুবুদি অদুমক খজিক নাথৈদুনা থম্বিদবা নত্তে। হোয়, শেম্বিবা মহাকপু নীংশিঙজবা-শৈথাজবা মীওই খরা লৈতবসু নত্তে। মীয়াম্না কাইকু, গোকুল, ময়াচৌধুরি, বালা, বিজু অমদি সুস্মিতানচিংবা এক্টরশিং ফিল্মদা থোক্লকপা মতমদা মীৎ কুপ্তুবা মখৈ মখোয়গী ফজবা অদু য়েংনৈ। মখোয়বু মেকঅপ তৌদুনা ফজহল্লিবা মীওইশিং অদুবুসু ঐখোয়না নীংশিঙফম থোক্তবরা? অশেংবা ফজবা হায়রগদি মেকঅপ তৌবদা মরুওইবা রোল লৌরিবা মীশক অদু ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। 'ঐখোয়সিবু কনানো, লাইজা, নোংবালগী জেকেৎ, বঙ্গলাদেশকী সনা তম্ফা, কৌরৌঙানবা-৩, অরোনবা ৱারী, শাৎলো লৈরাং শাৎলো, ইশা মীনাই ওইবিগে, বুলেট, শিবু ওইবা য়াবরা, নঙসে ঐগীনি মাইথাবা, ঙাইখিদ্রা য়েনিংথা, শক্তম অমা, তোন্দোনথোইবী, লাইথুং, নাউটি গর্লস-২, বোইতোন হল্লকএ, তম্ফামনি, মঙলান, নাইতোম' নচিংবা ফিল্মশিং, ম্যুজিক এলবম অমদি ফেসন শো কয়াদা মেকঅপ আর্টিষ্ট ওইনা থবক তৌদুনা লাকখিবদগী মীয়াম্না শক খঙবিরদুনা 'ঐখোয়সিবু কনানো' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা মনিফা ২০২০গী বেষ্ট মেকঅপ এৱার্দ ফংখ্রবা ৱাংখৈময়ুম দবোসু মীওইশিং অদুগী মরক্তা অমনি।



ৱাঙ্গৈই ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা ৱাংখৈময়ুম ইবোচৌবা অমদি ৱাংখৈময়ুম ওংবি মেমচাগী মচা মপানগী মনুংদা খ্বাইদগী ইতোন তোন্না ফংজখিবা মচানি দবো। মেকঅপকী লন্বী অসিদা অহানবা ওইনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা মেকঅপ আর্টিষ্ট সলাম নাওবিনা লম্ অসিদা পুশিল্লকখি। মহাক্কী লমজিং-লমতাক্কী মখাদা ফিল্মগী লন্বী অসিদা চঙদুনা মেকঅপকী লন্বী অসিদা চঙবা হৌরকখি। ফিল্মগী মেকঅপ তৌবা হায়বা অসিদা কেবা খক নত্তনা ফিল্ম অদুগী সিচুয়েসন অমদি ফিল্ম অদুদা হোংলক্লিবা ক্লাইমেক্স খুদিংদা মেকঅপকী মথৌ তাই। শম্না হায়রবদা ফিল্ম অদুদা খৎ-চৈনবা অমদি শোকপা-খোৎপগী সিন য়াওরকপা মতমদা অশোকপা অদু তশেংনা শোকপা মান্নবা অমদি কিন্না থিনবদা পোমদুনা লৈবা খুদিংমক মেকঅপনা ফিল্ম অদুদা তশেংনা রিএল লাইফতা থোকপগুম মালহনবা হায়বসি মেকঅপ আর্টিষ্টশিং অদুনা তৌরিবনি। ফুন-চৈনবা অশোকপগী পোন্বা হায়বা অসিদসু ফুন-চৈনবগী খুদক্তা পোমখৎলকপগী মেকঅপনা অমনি অমদি নুমীৎ কয়ানি হৌখ্রবা ফুন-চৈনবদা শোকখিবা মফমদা খামদেক্তুনা পোমদুনা লৈবগী মেকঅপকী মওংনা অমনি। লোয়ননা ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা আর্টিষ্ট খুদিংমক কেবগা লোয়ননা ট্রেদিসনগী চৎন-কাংলোন কয়া অমসু খঙবা মথৌ তাই। মরম অদুনা মেকঅপ আর্টিষ্টনা ফিল্ম অমদা লৌরিবা থৌদাং য়াম্না চাওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

দবোগী মখা তারকপা পুন্সিদা লমদম অসিদা মেকঅপকী ওইবা কোর্স অমা হাংদুনা লম্ অসিদা চঙবা পাম্বা মীরোলশিংদা তম্বিনবা হোৎনগে খল্লি। মরমদি ফিল্মগী লাইনদা অহোংবা কয়া লাক্লে। মেকঅপকী লাইনদা চঙদুনা প্রোফেসন অমা ওইনা অদুমক য়াম্না লাইনা হিংবা ঙম্বা হায়বদুসু ওইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি। লোকদাউন লৈখিবা মরমনা মেকঅপ আর্টিষ্টশিংদসু অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। দবোগী খ্বাইদগী পামজবা শৈশকপদি অরবিন অমদি পুস্পরানিনা ওইরি। মণিপুরগী ফজরবা ইপা-ইপুংশিংনা থম্বিরম্বা নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং লৈরম্বনা মণিপুরী অমা ওইনা য়াম্না চাওথোকচবা ফাওই। ফজরবা পোৎশক কয়া অমসু লমদম অসিদা লৈরি। অদুবু লমদম অসিদা করপসন চাওনা লৈবা মরমনা টেলেন্ট লৈরবা নহারোল কয়ানা থবক ফংদনা লৈবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা য়ারিবমখৈ লমদম অসিগী করপসন মুথৎনবা হোৎনহন্নিংই। মদুনা হীরম খুদিংদা চাওখৎলকপা হায়বদু ওইগনি।



মণিপুরদা হৌজিক পুথোক্লিবা ফিল্মশিং অসিদগী অমুক্কা হেন্না ফজবা ফিল্মশিং পুথোক্লবা মরী লৈনরিবা মীওইশিংনা হোৎনহন্নিংই। মালেমগী থাক্তা ফীদমনিংঙাই ওইবা ফিল্ম পুথোকপা ঙম্লগদি ফিল্মগী লাইনদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা চাওথোকচবগা লোয়ননা থবক তৌবসু ঙমগনি। চহী অসিগী ওইনা 'ঐখোয়সিবু কনানো' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা বেষ্ট মেকঅপ এৱার্দ ফংলকপা অসিগী ক্রেদিট ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর অজিৎ য়ুম্নামদা পীনিঙই। লম্ অসিদা মায়পাক্লকপা অসিগীদমক্তদি মহাকপু তাকপিরকপা সলাম নাওবিদা ক্রেদিট পীনিংই। লোয়ননা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মীরোল-শিংনা লমদম অসিগী ফজরবা নাৎকী ওইবা ফিজোলশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবা ওইনা লুহোংবা, লাইহরাউবা অমদি তোঙান-তোঙানবা নাৎকী থৌরমশিংদা খক নাৎকী ফিজোল শেৎপা নত্তনা নোর্মেল লাইফতা লৈবা মতমদসু নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা